# নবাম টুকি লালহৌবশিংগা শম্নে হায়বগী রিপোর্ট লৈ

## অরুনালচদা পি আর থমখিবগী মায়োক্তা নবাম টুকিনা কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৮ঃ*

অরুনাচল প্রদেশকী গভর্নর জে পি রাজখোৱানা লম্মাই মরি পানবা রিপোর্ট অমা প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিদা চৎলিবা থা অসিগী ১৫দা পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না চিফ মিনিষ্টর নবাম টুকি অমসুং দিসিদেন্ট এম এল এ অহুম আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ নেসনেল সোসেলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-খপ্লাং কাংবুগা মরী লৈনৈ হায়না খঙহল্লকখিবা লৈখি।

গভর্নরনা পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অদুদা নবাম টুকিনা আইননা য়াদবা কাংবুশিং অদুদা পুক্নিং থৌগৎলি হায়না মরাল শিরি। পাউ অদু হিন্দু পাউ চেনা লৌখৎলকখি।

লমদম অদুদা ইন্দিয়ান কন্সষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৫৬ খোঙ্গাওনৈ হায়না মরাল শিরি। নবাম টুকি অমসুং স্পিকর নবাম রেবিয়া হিন্দুশিংগী চৎনবীগী মায়োক্তা থবক তৌই হায়রি।

রাজখোৱানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা অসামদা লৈবা মীওইশিংগা লৌতুনদুনা অরুনাচল প্রদেশতা লৈবা মহৈরোইশিংগী ওর্গনাইজেসনশিংনা কাংলুপ নাইবা মওংদা খোঙজং চংশিনখি।

টুকি নাইসি ত্রাইবেল কাংলুপকী মীওইনি। রিপোর্টশিং অদু কুপ্না য়েংশিনখি। চপ মান্নবা রিপোর্ট ১৫ মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদগী ফংবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

গভর্নরগী রিপোর্ট অদুদা মরু ওইবা ৱাফম ১২ পন্দুনা ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইনবা ৱাফম পুখৎলকখি।

ষ্টেট অদুদা কন্সটিট্যুসন মপুং ফানা চৎনহনবা ঙমদ্রে হায়না মমিং থোনবা রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট অদুদা মাইনোরিটি ওইরবা কাংবুনা থা



*অরুনাচল প্রদেশকী গভর্নর জে পি রাজখোৱা (ওই) অমসুং হান্নগী অরুনাচল প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টর নবাম টুকি*

কয়া সরকার চল্লাইদুনা লৈরে হায়না পল্লকখি।

চিফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টর কয়ানা ষ্টেট অদুগী গভর্নরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোদোরক্লি।

রাজখোৱানা পীরকখিবা রিপোর্টকী মতুংদা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা হায়, ষ্টেট অদুদা নুমিৎ কয়ানিগী মমাঙদগী শান্তি থম্বা ঙমদ্রে। লমদম অদুদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফৎত্রে।

দিসেম্বর ১৫, ১৬ অমসুং ১৭তা ষ্টেট সরকারনা আইন ঙাকপা ঙমদবগী ফিভম লৈখি। লমদম অদুদা নিংথৌ পানবা সাসনগী মওংদা চৎখরি হায়খি।

অরুনাচল প্রদেশতা প্রসিদেন্ট রুল থম্লকখিবগী মায়োক্তা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর নবাম টুকিনা নৌনা অমুক কোর্টতা ৱাকৎখ্রে।

কংগ্রেসকী লুচিংবা অদুনা ৱাকৎলকখিবা অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা তাখি। হায়রিবা বেঞ্চ অদু জষ্টিস জে এস খেহরনা লুচিংখি। এটোর্নি জেনরেল মুকুল রোহাদকীনা সেন্টরগী মহুৎ শিন্দুনা কেস অদু লেপখি।

ঙরাং অরুনাচল প্রদেশতা প্রসিদেন্ট রুল থমখিবা অদুগী মতাংদা কোর্টনা সেন্টরদা ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখি।

মদু খ্বাইদগী অরুবা তানফম অমনি। বেঞ্চ অদুনা হায়খিবদা আইন হায়বসি আইননি। মীপুম খুদিংমক চপ মান্ননা য়েংগনি। গভর্নর অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা মদুগী পাউখুম চপ চাবা মতমদা পীগনি হায়রি।

কোর্ট অদুনা অরুনাচল প্রদেশতা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইখিবগীমতাংদা চপ চাবা রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখিবনি। বেঞ্চ অদুনা ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইবদা তোঙান-তোঙানবা পার্টিশিংনা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিং সু য়েংশিনখি।

হিয়ারিং চথদনা ৱায়েল অমত্তা পীবা য়ারোই। ওইরিবা ফিভম অসি য়াম্না সেন্সিটিব ওইবা ৱাফমনি। উকিল এস নারিমান, কাপিল সিবাও, রজিব ধৱন অমসুং ভিভেক টনখানা ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইনবা রিপোর্ট পীখিবগী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়রি।

য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা অরুনাচল প্রদেশতা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইখিবা অসিদা নৎত্তনা লৈবাক অসিগী ইতিহাসতা প্রসিদেন্ট রুল ১০০রক হন্না চল্লাইখিবগী দাইত্ব কংগ্রেসনা পুগদবনি।

প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইবা হায়বদু অখন্নবা মতমদতা থোকপনি। কংগ্রেস পার্টিনা অরুনাচল প্রদেশ য়াওনা মফম কয়াদা ১০০রক হন্না চল্লাইহনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

রিজিজুনা হায়, অরুনাচল প্রদেশতা অর্পুনিবগী শক্তম শাগৎপা ঙমদবগীদমক কংগ্রেস পার্টিনা লমদম অদুগী মীয়ামদা লাল্লে হায়জ গদবনি। য়ুনিয়ন ষ্টেট হোম মিনিষ্টর অদুনা হায়, কংগ্রেসকী লুচিংবশিং অপিকপা অঙাং অমা নৎত্রে। মখোয়না কনাগুম্বশিংদা থৌইনশিন পীবা ঙম্লবনি।

করিগুম্বা সেন্টরনা হাথু-হাথুনা খুৎ থিংজিনবা নৎত্রগা রাজ ভাবননা ফজদবা মওংদা থবক পায়খৎপা নত্তে হায়খি।

অরুনাচল প্রদেশতা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইখিবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা অকনবা মিৎয়েং চংলদুনা হায়, ওইরিবা ফিভম অসি অরুবা অমনি। গভর্নর জে পি রাজখোৱানা ষ্টেট অদুদা রাষ্ট্রপতি সাসন থম্নবা রিপোর্ট তৌরকখিবা লৈখি হায়রি।

রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা ওইথোকপা য়াবা ফিভম ফংদ্রবা মতুং সেন্টরনা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী অয়াবা মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট রুল চল্ললাইনবা থবক লৌখৎপনি। কংগ্রেস পার্টিনা মখোয়গী অশোইবশিং লোৎশিন্দুনা মরাল শিননবা হোৎনরি।

কংগ্রেসনা অরুনাচল প্রদেশতা চহী ৪০ পাল্লক্লবনি। অরুনাচল প্রদেশকী মীয়াম্বু অপঙবা শিরোইদবনি। কংগ্রেস সরকারনা লৌখিবা ৱারেপশিং অহানবা ওইনা হোংহন্নবা হোৎনবনি।

কংগ্রেস পার্টিনা ষ্টেট অদুদা এয়ারপোর্ট শেমগৎনবা হোৎনবদা য়েৎলি। ইং ২০০৭তা কংগ্রেসনা সেন্টরদা সরকার পায়রিঙৈদা অদুগুম্বা এয়ারপোর্ট লৈননবা যাত্রা হুনখিবনি। অদুম ওইনমক থবক পায়খৎপদা থেংথদুনা লাকখি।

অরুনাচল প্রদেশতা কংগ্রেস পার্টিনা ইং ১৯৯১দগী হৌনা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পাৱর এক্ট থমজিন্দুনা লাকখি। মীয়াম্না খঙই অরুনাচল প্রদেশকী শেল কনানা হুরাল্লিবনো হায়বদু, কনানা হিংশা চথবা পাম্মী, বুট কেপচর অমসুং অরানবা তৌবা পাল্লিবশিং মীয়াম্না মশক খঙই হায়রি।

# দটচনা মাইগ্রেন্টশিং টর্কিদা হলহনখিনবা থবক পায়খৎখ্রে



*দটচনা ময়ুম ময়ুমদা হলহনখিনবা হোৎনরিবা মাইগ্রেন্টশিং*

*অমষ্টৰ্দম, জনুৱারি ২৮ঃ*

গ্রিসকী ঈথৎ কয়াদা থুংলখিবা মাইগ্রেন্ট অমসুং রিফ্যুজিশিং খুদমক্তা টর্কিদা হলহনখিনবা অমসুং ৱাথোক অদু লোইশিন্নবা দটচনা থৌরাং পায়খৎখ্রে।

লেভর পার্টিগী লুচিংবা দাইদেরিক সামসননা পায়খৎলিবা থৌরাং অদুগী মখাদা হায়, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা চহী অমদা টর্কিদগী চংশিল্লক্লিবা রিফ্যুজি ২৫০,০০গী থবক পায়খৎকদবনি।

মমাঙ চহীদা টর্কিদগী গ্রিসকী ঈথৎশিংদা মীওই ৮৫০,০০০ চংশিল্লকখিবা লৈখ্রে। লাক্কদৌরিবা রিটু শিংদা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপা তঙাইফদে। জনুৱারি থাদা গ্রিসতা মীওই লিশিং ৪৬ থুংলখ্রে।

মীওইশিং অদু সিরিয়া, ইরাক অমসুং অফগানিস্তানদগী লাঞ্জেনরকখিবশিংনি। য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা ওইরক্লিবা ফিভম অদু ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনগদবনি। চংশিল্লকখিবা মীওইশিং গ্রিসকী সমুদ্র খোঙবালদা ঈরাক্নদুনা মীওই ২০০ হেন্না শিখিবা লৈখ্রে।

হন্দক্তঃা গ্রিসকী সমুদ্র খোঙবালদা হি লাকশিনবদা মাইগ্রেন অঙাং ১০ য়াওনা মীওই ২৪গী হকচাং কোষ্ট গার্দনা ফংবা ঙমখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুনা টর্কিদগী সামোস তম্না হি হোন্দুনা চংশিল্লকখি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ফ্রন্টেল বোর্দর এজেন্সিনা অদুগুম্বা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মতেং পাংদুনা মীওই ১০ কনবা ঙমখি। য়ুমশকৈশ নুমিৎতা য়ুরোপিয়ন কম্মিসননা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা ওইরিবা ফিভম অদু য়াম্না থৌশাদবা মওং অমনি।

এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা য়ুরোপকী পাসপোর্ট পীবা চেক তৌগদবনি। অদুম ওইনমক গ্রিস সরকারগী ৱাঙাংলোই জেরোভাসিলিনা য়ুরোপিয়ন কম্মিসনদা মরাল শিরি।

দটচনা ওইরিবা ৱাথোক অদুগী ৱারোইশিন পুরক্নবগীদমক মাইগ্রেন্টশিং খুদক্তা হলহনখিগদবনি হায়রি। স্বেদিস ওথোরিটিগী মতুং ইন্না চহী অমদা মীওই লিশিং ৮০ রোম লৈবাক অদুদা চংশিল্লক্লি। মদু লৈবাক অদুনা খুন্দা লৈতাহনবা ঙম্লোইদবা অমনি। মখোয়বু হলহনখিবগী মতাংদা অৱাবা মায়োক্লরি।

গ্রিসকী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর এন্দর জেমননা হায়, চংশিল্লকখিবা মাইগ্রেন্টশিং অদু ময়ুম ময়ুমদা হলহনখিনবগীদমক অখন্নবা এয়ারক্রাফ শিজিন্নবা তঙাইফদে। মীওইশিং অদু হলহন্নবা হোৎনবদা চহী কয়া চংবা য়াই হায়খি।

# জপানগী ইকোনোমি মিনিষ্টর অকিরা অমারি শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক্তা ফম থাদোকখ্রে

*টোকিয়ো, জনুৱারি ২৮ঃ*

জপানগী ইকোনোমি মিনিষ্টর অকিরার অমারিনা হায়, মহাক্কী মথক্তা শেঞ্জা-থুমজা তৌই হায়না মরাল শিরকপদগী ফম থাদোক্লে।

ৱাফম অদু অমারিনা ঙসি টোকিয়োদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক মশামক্না কন্ষ্ট্রক্সন কম্পেনি অমদগী শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈনবা শেল অমত্তা ফংখিবা লৈতে। মহাক্কী মথক্তা জপানগী মেগজিন অমনা মরাল শিরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেদা অকনবা শাফু অমা পীরগনি হায়রি। অমারি সিঞ্জো অবেগা খ্বাইদগী নক্লবা মীওইনি হায়রি।



*মিনিষ্টর অমারি (ওই) অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবে*

লুচিংবা অদু ট্রান্স পেসিফিক পাটনর্সিপ (টি পি পি)গী এগ্রিমেন্ট সাইন তৌননবগীদমক মথং চয়োলদা ন্যুজিলেন্দদা চৎকদবনি। মহাক অবোনোমিক্সকী অর্কিটেক হায়নসু খঙনরিবা মীওইনি।

প্রাইম মিনিষ্ট অবেনা লৈবাক অদুগী শেল থুমগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্দুনা মালেমগী অহুমশুবা শেল থুমগী ফিভম অফবা লৈবাক অমনা ওইহন্নবা হোৎনরিবনি।

হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসিনা অবে লৈঙাক্তা খ্বাইদগী চাওবা ৱাথোক ওইরে হায়না বি বি সি ন্যুজনা রিপোর্ট তৌরক্লি। অমেরি প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেগী খ্বাইদগী থাজবা পার্লিয়ামেন্ট মেম্বর অমনি।

মহাক ফম থাদোকখিবা অদুনা অবেগী শেল থুমগী ওইবা থৌশিলদা ৱাহং অমা হংনিংঙাই ওইরে। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা ওপোজিসন পার্টি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবগী মরম ওইরে হায়রি।

# অহানবা ওইনা স্মার্ট সিটি শেমগৎকদবা ইন্দিয়াগী মফম ২০ লাউথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৮ঃ*

স্মার্ট সিটি শেমগৎনবগীদমক পাঙথোকখিবা চাংদম্নবদা মায় পাকখ্রবা মফম ২০ সেন্টরনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

সহরশিং শেমগৎনবগীদমক শেল থাদনবা খনগৎপা মালেমগী ওইনা অহানবা থৌশিল অমনি। হান্ননা শেম শারবা থৌরাং অদু অখন্নবা থৌরাংশিংগী মখাদা থেংথবা তৌদনা পায়খৎনবা হোৎনগনি হায়রি।

স্মার্ট সিটিনা লমদম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহনগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা প্লানিং কম্মিসনবু নিতি আয়োগ হায়না মমিং ওন্থোক্তুনা লৈবাক অসিবু অওনবা অমা পুরক্নবা হোৎনরি।

হোংলক্লিবা অহোংবা অমসুং শিংনবা কয়া অদুগী ফল লাক্কনি। সহর অমসুং অপিকপা কৈথেলশিং শিংনবা অমগা লোয়ননা শেমগৎনবা হোৎনরি। মদুগীদমক অফবা মীরেপ খনবগী থবকসু হৌদোক্লি।

পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অদু মপুং ফানা মনুং মপান ফাওনা উবা মওংদা লৌখৎপনি। শেমগৎ-শাগৎপগী ৱাখল্লোনগী মখাদা স্মার্ট সিটি মিসন পায়খৎপনি। চাংদম্নখিবশিং অদুনা লৈবাক অসিগী



*অরবান দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর এম ভেঙ্কয়ানাইদু*

মফম কয়াদা স্মার্ট সিটি শেমগৎপা অমসুং ফেদরেল ষ্ট্রকচরদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি।

স্মার্ট সিটি অমসুং সহরশিং শেমগৎনবা চহী ৫গী থৌরাংগী মনুংদা লুপা ক্রোর ৫০৮০২ থাদনবা থৌরাং তৌরি।

পায়খৎকদবা থবক থৌশিল খুদিংমক অরবান লোকেল বোদিগী থাক্তা পায়খৎকদবনি। মীয়াম্না শরুক য়াবা তঙাইফদে। পায়খৎকদৌবা থবক থৌরমশিং অদুগী মতুং ইন্না ষ্টেট সরকারগী মখাদা লৈবা অরবান লোকেল বোদিশিংগী অনিংবা অপান্বশিংগী মতুং ইন্না থবক পায়খৎকদবনি।

মীওই মশিং য়াম্না লৈবগী চাংদা য়েংলগা লৈবাক অসিগী মফম ২০ স্মার্ট সিটি শেমগৎনবা অহানবা ওইনা থৌশিল অদু পায়খৎপনি। ভুবনেশ্বর স্মার্ট সিটিগী অহানবদা লৈরি। স্মার্ট সিটি শেমগৎকদবা মফমশিং অদুদি- ভুবনেশ্বর, পুনে, জয়পুর, সুরত, কোচি, অহামেদবাদ, জবল, ভিজাগ, সিলাপুর, দভাঙ্গিরি, ইন্দোর, এন দি এম সি, কোয়েম্বটোর, কাকিনাদা, বেলগাউম, উধৈপুর, গুৱাহাতি, চেন্নাই, লুধিয়ানা অমসুং ভোপালনি হায়রি।

# নুপী ফাবা বিহার কংগ্রেসকী এম এল এ বুক তৌখ্রে

*পটনা, জনুৱারি ২৮ঃ*

চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী নুপী অমা ফাবগী মরালদা বিহারগী কংগ্রেস এম এল এ সিদারত ঙসি বুক তৌখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

সোনকুক্রা খুঙ্গংদা লৈবা অবে সিংহ কৌবা মীওই অমনা বিক্রম কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী কারকখিবা কংগ্রেসকী এম এল এনা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা মহাক্কী মচানুপী খুঙ্গং অদুদগী ফাদুনা পুখ্রে হায়না সুপরিন্দেন্টেন্ট ওফ পুলিস ধ্রুততা ৱাকৎলকখি।

ৱাকৎ অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ান পেনাল কোর্দকী সেক্সন ৩৬৩ (মী ফাবা)গী মখাদা এফ আই আর অমা মসাওরি পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টার তৌখ্রে হায়না এস পি ধ্রুত সাইলিনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অদুগী মতাংদা থিগৎপগী থবক চথবা হৌখ্রে। এম এল এ অদুগী মোবাইল ফোনদা কন্টেক তৌনবা হোৎনবদা রেস্পোন্দ তৌরকখিদে হায়রি।

# চিফ মিনিষ্টরদা খোঙউপ লংশিল্লকখ্রে, অমা ফারে

*পটনা, জনুৱারি ২৮ঃ*

বিহারগী চিফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা শরুক য়াখিবা পটনা দিষ্ট্রিক্টকী ভক্তিয়ারপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মীওই অমনা ঙসি খোঙউপ লংশিল্লকখ্রে।

খোঙউপ লংশিল্লকখিবা মীওই অদু মশক মমিং খঙবগা লোয়ননা পুলিসনা ফারে। মীওই অদুদি পি কে রাই কৌবা মীওই অমনি হায়না সেনিয়র সুপরিন্দেন্টেন্ট ওফ পুলিস মানু মহরাজনা ফোঙদোরক্লি।

পটনাগী ভক্তিয়ারপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা চিফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা ফল্লিবা মফম অদুগা নক্লনা লংশিল্লকখিবা খোঙউপ অদু তাখি।

খুদক্তা মীওই অদু ফাখি। মহাক ভক্তিয়ারপুর পুলিস ষ্টেসনদা ফাজিন্দুনা ৱাহং পাউহং চথখি হায়রি। মীওই অদুনা করিগীদমক থৌওং অদু চথরকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

# মহৈ মশিং তম্বা ফংদ্রবা অঙাংশিংগীদমক মালালানা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে

*ৱাসিংটন, জনুৱারি ২৮ঃ*

সিরিয়াদা থোক্লিবা লালনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী অঙাংগী শরুক তঙ্খাই অমা মহৈ মশিং তম্বা ফংদনা লৈরে।

নোভেল প্রাইজ ফংখ্রবী মালালা য়ৌসফজায়না ফোঙদোকখিবদা সিরিয়াগী লাঞ্জেনরিবা অঙাং মিল্লিয়ন ১ হেনবদা মহৈ মশিং তম্বা ফংহনবা তঙাইফদে।

লৈবাক অদুদগী মীওই কয়া থুমথংনবা লৈবাকশিংদা চেন্নরি। লৈবাক অদুদা অঙাং মিল্লিয়ন ৪ রোম স্কুল কাবা ফংদনা লাঞ্জেনরি হায়না মালালা ফন্দনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা লৈবাক অদুগী মীরোল অমা মাংহল্লগনি হায়না মালালানা অকনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি। মালালা পাকিস্তানদা নুপীমচাশিং মহৈ মশিং তমহন্নবা খোঙজং চংশিনবদা টালিবানশিংনা মকোক্তা নোংমৈনা কাপ্লমখি। মদুগী মতুং অমেরিকাদা লৈদুনা নুপীমচাশিং মহৈ মশিং তমহনবগী লমদা থবক পায়খৎলকখি।

সিরিয়াগী অঙাংশিংদা মহৈ মশিং তমহন্নবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলক্লি।

**সনা-সুদোকু- ৫০০ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 3 | 8 | 4 | 1 | 5 | 7 | 2 | 6 |
| 6 | 1 | 7 | 3 | 8 | 2 | 5 | 9 | 4 |
| 4 | 2 | 5 | 7 | 6 | 9 | 3 | 1 | 8 |
| 2 | 7 | 4 | 6 | 3 | 1 | 9 | 8 | 5 |
| 8 | 5 | 9 | 2 | 4 | 7 | 1 | 6 | 3 |
| 1 | 6 | 3 | 5 | 9 | 8 | 2 | 4 | 7 |
| 7 | 8 | 6 | 1 | 2 | 3 | 4 | 5 | 9 |
| 3 | 9 | 2 | 8 | 5 | 4 | 6 | 7 | 1 |
| 5 | 4 | 1 | 9 | 7 | 6 | 8 | 3 | 2 |

# প্রাইম মিনিষ্টরনা থা খুদিংগী রিভ্যু মিটিং পাঙথোক্নবা কেবিনেটতা খঙহনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৮ঃ*

মমাঙ থাগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংগী ওইবা রিভ্যু মিটিং থা খুদিংগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোক্নবা খঙহনখ্রে।

মীফম অদু অহানবা ওইনা দিসেম্বর থাদা পাঙথোকখি। মদুগী মতুং অনিশুবা ওইনা ঙরাং পাঙথোকখি। ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা থা খুদিংগী অরোইবা চয়োলদা রিভ্যু মিটিং পাঙথোক্নবা খঙহনখি।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগা মীফম পাঙথোকখি। মীফম অদুদা মিনিষ্টরশিংনা সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং থুনা য়াংনা অমদি মপুং ফানা পায়খৎনবা খঙহনখি।

কেবিনেট সেক্রেটরিনা কেবিনেট মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিং থবক ওইনা পায়খৎনবা খঙহনখি। মিনিষ্টরশিংনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং অদু থুনা য়াংনা লৌখৎনবা থবক পায়খৎকদবনি হায়রি।

ঙরাং ফমখিবা মীফম অদুদা তিনখিবা মিনিষ্টরশিং চাকলেন অমা চামিন্নদুনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্নখি।

ষ্টেট মিনিষ্টর মঙাদা প্রাইম মিনিষ্টরনা এগ্রিকলচর, ফুদ, কেমিকেল এন্দ ফর্টিলাইজর, রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং ৱাটর রিছোর্সকী লমদা থবক পায়খৎনবা খঙহনখি।

মীফম অদুদা হায়রিবা লমশিং পায়বা ষ্টেট মিনিষ্টরশিং শরুক য়াখি হায়রি। এগ্রিকলচরগী লমদা খন্নবদা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীফম অদু মতম শাংনা হৌখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা মিনিষ্ট্রিশিংদা লৌমীশিংগী য়াইফনবগীদমক থৌশিল কয়া শোইদনা পায়খৎনবা ৱাফম খঙহনখি।



লুচিংবা অদুনা লৈবাক অসিগী মহৈ মরোংগী কৈথেল অমসুং ইথৈ লৌখোংগী লমদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা ৱাহং কয়া হংখি। লোয়ননা চু থাবা অমসুং চিনি পুথোকপগী লমদসু অহেনবা মিৎয়েং চংখি।

লুচিংবা অদুনা এগ্রিকলচর এন্দ ফুদ মিনিষ্টরদা মতম মতমগী মহৈ মরোংগী পোথোকশিং হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক অহেনবা মতম কায়থোক্নবা খঙহনখি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা পোৎ-চৈগী মমল ৱাংখৎলকপা অমসুং নোংমগী চারা তান্দুনা থবক শুরিবা মীওইশিংগী খুৎশুমলগী মতাংদসু য়েংশিন্নবা খঙহনখি।

রিভ্যু মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাটর রিছোর্স মিনিষ্টর উমা ভারতিদা গঙ্গা টুরেল শেংদোকপগী লমদা হেন্না পুক্নিং চংদুনা থবক পায়খৎনবা খঙহনখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-501**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 9 | 3 | | | | |
| | | 4 | | | 2 | | 9 | 8 |
| | 5 | 9 | | | 4 | | | |
| | | 7 | 2 | | 8 | | | |
| 5 | | | 6 | | | 9 | | |
| | | 8 | | 5 | | 6 | 7 | |
| 2 | 9 | 1 | 5 | | | 8 | 3 | |
| | 6 | | | | | | | |
| 4 | 8 | 5 | | 2 | 9 | | 6 | 7 |